

কেজ্রিৱালনা ই দি কষ্টদিদগী অহানবা ওইনা সি এম গী থবক তৌবা হৌখ্রে

ন্যু দেলি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : দেল্লি লিকর পোলিসি কেস অমগা মরী লৈননা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা আর্ৱিন্দ কেজ্রিৱালনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ইদি) না ফাখ্রবা মতুংদা ঙসি দিরেক্টরেট অসিগী কষ্টদিদা লৈনা লৈনা সি এমগী থবক তৌবা হৌখ্রে হায়না দেল্লিগী মিনিষ্টর অমা ওইরিবা অতিশি মার্লেনানা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অতিশিগী ৱারোল অদুদা কেজ্রিৱালনা কষ্টদিদগী ৱার্টর মিনিষ্ট্রিদা দাইরেক্টিভ অমা পীরকখ্রে। মহাক্কী দিরেক্টিভ অদু দেল্লিগী ঈশিং অমসুং সিৱর সিষ্টেমগী মতাংদা ওর্দর অমা তৌরকখিবনি। ওর্দর অসিনা দেল্লিগী ঈশিং ফংদ্রবা মফমশিংদা অথুবা মতমদা ৱার্টর টেঙ্করশিং থাজিন্নবা হায়রকখি হায়রি।

অতিশিনা মখা তানা কষ্টদিদা লৈরবসু মীয়ামগীদমক ৱাখল খনবা লেপত্রিবা মীওইনি। মহাকপু ফারবসু মীয়ামগীদমক মহাক্না চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা লেপলোই হায়খি।

আর্ৱিন্দ কেজ্রিৱাল ফাখ্রবসু মহাক মরাল লৈরে হায়বগী চপ চাবা মরম পুথোকপা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক চিফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিরোই অমসুং কষ্টদিদা লৈনা লৈনা দেল্লি লৈঙাক অসি হান্নগুম মহাক্কী লিচিং মখাদা চল্লাইগনি হায়রি।

‘শিব শক্তি’ মিংথোনখিবা থা লৈবাক্কী মফম আই এ য়ু গী রিকোগনিসন ফংখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আইএসআরও) গী চন্দ্রায়নথ্রী মিসননা থা লৈবাক্তা তাখিবা মফম অদু হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ২৬ তা লৈঙাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ‘শিব শক্তি’ হায়না মিংথোল্লগনি লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি মালেমগী লৈবাক খুদিংনা রিকোগনাইজ তৌরবা সেলেসিএল ওবজেক্টশিংবু মিংথোল্লিবা ইন্টরনেসনেল এষ্ট্রোনোমিকেল য়ুনিয়ন (আই এ য়ু) না মিংথোন অসি রিকোগনাইজ তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

আই এ য়ু না চন্দ্রায়ন থ্রীগী বিক্রম লেন্দরনা প্রজ্ঞান রোভরগা পুন্না তাখিবা থা লৈবাক্কী সাউথ পোলদা লৈরিবা মফম অসিবু প্লানেটরি সিষ্টেম নোমেনক্লেচরগী মতুং ইন্না মিংথোল অসি অয়াবা পীখিবনি। চন্দ্রায়ন থ্রীগী লেন্দরনা মফম অসিদা তাখিবা মতমদা কন্ট্রোল লুনর লেন্দিং ওইবা ঙমখিবনা ইন্দিয়া অসি হায়রিবা লেন্দিং মখল অসি তৌবা ঙম্বা মালেমগী মরিশুবা লৈবাক ওইখ্রে। থা লৈবাক্কী সাউথ পোলদা ইহান হানবা লেন্দর থাবদসু ইন্দিয়ানা অহানবা লৈবাক ওইরি।

চন্দ্রায়ন থ্রী গী লেন্দর অদু লৈমায়দা তারবা মতুংদা নুমিৎ ১০ নি কোয়চৎ চৎতুনা থবক তৌরল্লবা মতুংদা লেন্দর অমসুং রোভর অনীমক হৌজিক স্লিপ মোদতা লৈরি। অদুগা চন্দ্রায়ন থ্রী গী প্রোপলসন মোদুলনা থাগী অকোয়বদা পায়দুনা লৈরি।

পি এম মোদিনা ‘শিব’ হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক খনবা ৱাখল অমসুং থৌওং অদুবুনি। অদুগা ‘শক্তি’ হায়বসিনা ৱাখল অমসুং থৌওং অনী অসিবু পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক পীরিবা থৌনা অদুবুনি হায়খি।

স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন হায়রম্বদগী ‘ষ্টেট ওফ ৱার’ গী ফিভমদা লৈরে ঃ রসিয়া

মোস্কো, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : রসিয়ানা য়ুক্রেনদা চহী ২ গী মমাংদা ‘স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন’ গী মিংদা লান্দাখ্রবা মতুংদা ঙসি রসিয়াগী স্পোক্স পার্সন দিমিত্রি পেস্কোভনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী তংদু লৈতাদ্রবা ফিভম অসিদা নোংচুপ লৈবাক অমসুং য়ুক্রেনগা য়ুমথংনরিবা য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা খুৎ থিংজিল্লকপনা রসিয়া অসি ‘ষ্টেট ওফ ৱার’ গী ফিভমদা লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ুক্রেনদা রসিয়ানা মিলিটরি ওপরেসন চথখিবা অসি য়ুক্রেনগী মফম খরদা দিমিলিটরাইজেসন অমসুং দিনাজিফিকেসন তৌনবনি। ওপরেসন অসিগী মখাদা রসিয়ানা ৱারগী পোলিসি শিজিন্নবা য়াদে হায়বসি মালেম পুম্বনা খঙলি। অদুবু নোংচুপ লৈবাক অমসুং য়ুরোপকী অতোপ্পা লৈবাক কয়ানা রসিয়াগী মায়োক্তা য়ুক্রেনদা মতেং পাংশিল্লকপনা ৱারগী ফিভম ওইরে হায়বদু মীয়াম পুন্নমক্না খঙশিনবীয়ু হায়না দিমিত্রি পেস্কোভনা মীদিয়াগী খুথাংদা রসিয়াগী মীয়ামদা পাউজেনখি।

দিমিত্রি পেস্কোভকী ৱাফম অসি হন্দক্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন মায় পাক্তুনা চহী ৬ অমগা অমুক রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং অমদি মীখল হেক লোইবগা য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াদা মিসাইল য়াওনা লান্দাখ্রবা মতুংদা থোল্লকখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অসিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসি অমেরিকা অমসুং অমেরিকাগী এলাইএন্স কয়া য়াওশিল্লক্লবনিনা লান অসি লোয়শিনবগী মমি উদ্রি।

রসিয়াগী ওথোরিটিশিংগী মাইকৈদগীসু ৱার হায়বা ৱাফম অসি মখোয়না থাদোরকপা চেরোলশিং অমদি মীয়াম মাংদা ৱা ঙাঙবা মতমদা তোয়না শিজিন্নবা হেনগৎলক্লি। হৌজিক হৌজিক য়ুক্রেনগী শরুক ৫ থোকপগী শরুক অমদি রসিয়ানা লৌশিন্দুনা মখোয়গী মখাদা থমখ্রে।

শেল ওইনা লুপা ক্রোর ২৩, য়ু লিটর লাক্ষ ১৭ অমসুং দ্রগ কেজি ৬৯৯ ফাগৎখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হৌখিবা তাং ১ দগী হৌনা লোক সভা মীখলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা ওথোরিটিশিংনা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ২৩, য়ু লিটর লাক্ষ ১৭ অমসুং দ্রগ কেজি ৬৯৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী চিফ ইলেক্টরেল ওফিসার এস চোকলিঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ৱা ঙাঙলদুনা মহারাষ্ট্রগী ওথোরিটিশিংনা মীখলগা মরী লৈননা ঙসি ফাওবদা মীওই ১৩,১৪১ দা তোঙান তোঙানবা এক্সনসু লৌখৎপা ঙমখ্রে হায়খি। ষ্টেট অসিগী ওইনা অহানবা ফেজগী পোলিংগীদমক মীওই ১০ নোমিনেসন ফাইল তৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা ৫ না নাগপুরদগী, ২ না বন্দারা-গোন্দিয়াদগী, ২ অমনা জি সি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী অমদি মীওই অমনা রামতেক্তগীনি হায়রি।

অরুনাচলগী সি এম পেমা খন্দু মুক্তো এ সিদগী মীখল থেংনরগনি

ইটানগর, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : অরুনাচল প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা পেমা খন্দু লাক্লিবা এসেমব্লি মীখল অসিগীদমক ঙসি তৱাং দিষ্ট্রিক্টকী মুক্তো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখ্রে হায়রি।

পেমা খন্দুনা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা লাকপা মতমদা অরুনাচল ৱেষ্টকী বি জে পি ইলেক্সন কেম্পেন কম্মিটিগী চিয়রমেন, হোম মিনিষ্টর বমাং ফিলিক্স, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর তাগে তাকি অমদি বি জে পিগী লুচিংবশিংগা লোয়নরকখি হায়রি।

সি এম ওইরিবা পেমা খন্দু মুক্তো কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মহাক্কী মপা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর দোর্জি খন্দুনা কুমজা ২০১১ দা তৱাং দিষ্ট্রিক্টকী লুগুথাংদা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মতুংদগী মহাক্না মহুৎ শিন্দুনা মীরেপ ওইনা লেপ্পুনা লাকখিবনি।

নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা পেমা খন্দুনা মহাকপু শৌগৎপা মীয়াম অমদি পার্টিগী লুচিংবা কয়াগা পুন্না মীটিং পাঙথোক্তুনা মীখল অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

অরুনাচল প্রদেশ অসি লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ দা ষ্টেট অসিগী সিট ৬০ লৈবা এসেমব্লি অসিগী মীখলগা লোক সভা মীখলদা পুন্না অমুক্তদা পাঙথোক্কদৌরি। অদুগা মীখলগী ফলনা জুন ২ দা লাউথোক্কনি হায়রি।

টাইৱাননা টিক টোকপু নেসনেল সিক্যুরিটিদা থ্রেট ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে

টাইপৈ সিটি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : টাইৱানগী দিজিটেল এফ্যেরস মিনিষ্টর ঔদ্রে তাঙনা ঙসি চাইনাদা বেজ তৌবা কম্পনি অমনা শাবা মমিং লৈরবা ভিদিও এপ্লিকেসন ‘টিক টোক’ অসিনা টাইৱানগী নেসনেল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরকপা য়াবগী ফিভম লাকপনা থ্রেটনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

ঔদ্রেগী ৱাফম অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টিক টোক অসিবু মখোয়গী লৈবাক্তা নেসনেল সিক্যুরিটি থ্রেট লাকপা য়াই হায়না মফম খুদিংমক্তা থীংনবা খোঙথাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা থোল্লকখিবনি। টাইৱানগী মাইকৈদগী টিক টোক অসি টাইৱানগী য়েক্লবা ওইরিবা চাইনাগী কম্পনিনা পায়বা মরম্না চাইনা লৈঙাক্না এপ্লিকেসন অসি শিজিন্নদুনা টাইৱানগী নেসনেল ইনফোর্মেসন অমসুং কম্যুনিকেসনদা চংশিন্দুনা মরুওইবা দোক্যুমেন্ট অমসুং লৈবাক্কী ওইবা দিফেন্স ষ্ট্রেটেজি কয়া খঙদোকখিদুনা টাইৱানদা লান্দারকপা মতমদা খুদোংচাবা ফংখিবা য়াই হায়বা ৱাফমদগীনি।

টিক টোক অসি টাইৱানগী গৰ্ভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংদা হান্নদগী অথিংবা থমদুনা লাকখ্রবনি। মসিগী মথক্তা স্কুল, লন্নাইগী ওইবা এজেন্সিশিং, পব্লিক স্পেসনচিংবদসু অথিংবা থল্লকপা য়ানা লৈরি। টিক টোক অসি অমেরিকাদসু য়ু এস কোংগ্রেসনা বিল শেমদুনা থীংনবা থৌরাং তৌরি।

ꯁ꯭ꯄꯦꯁꯦꯜ ꯃꯤꯂꯤꯇꯔꯤ ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟ ꯍꯥꯏꯔꯝꯕꯗꯒꯤ 'ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯣꯐ ꯋꯥꯔ' ꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝꯗ ꯂꯩꯔꯦ : ꯔꯁꯤꯌꯥ

ꯃꯣꯁ꯭ꯀꯣ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯴ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): [illegible]

নোভা পোকখায়বগী থৌদোক মীৎনা উগদৌরি

ন্যু য়োর্গ, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) : মীয়াম্মা নুমিদাংগী মতমদা নোংথক্তা য়েংখৎপা মতমদা থৱানমিচাক ময়ামদগী খরা হেন্না ঙান্না উরিবা অসিগুম্না মালেমদগী লাইট য়্যর ৩০০০ লাপ্না লৈবা নুমিৎকুপ্লবা ষ্টার অনীনা শাবা বাইনরি সিষ্টেম অমদা নোভা পোকখায়বগী থৌদোক থোক্কদবা মতম খরগী মতুংদা খুৎলাই অমত্তা য়াওদনা মীয়াম্মা মীৎনা শঙশঙ উবা ফংলগনি হায়রি।

টি কোরোনে বোরিয়ালিষ্ট (টি সি আর বি) হায়না খঙনবা বাইনরি ষ্টার সিষ্টেম অসি চহী ৪০ খুদিংগী অমুক অমুক নোভা পোখায়বগী থৌদোক থোকই। মমাংগী থৌদোক ওইনা কুমজা ১৯৪৬ তা ষ্টার সিষ্টেম অসিদা পোকখায়বগী মঙাল উবা ফংখিবনি। হৌজিক অমুক মহাক্কী মতম য়ৌশিল্লকপনা সাইন্টিষ্টশিংনা পাবদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা নোভা পোকখায়বগী মঙাল অদু শোয়দনা উবা ঙল্লগনি হায়রি।

থৌদোক অসি মীয়াম্মা য়েংনিংলবদি হৌজিক্তগী হৌনা কোরোনা বোরিয়ালিষ্ট হায়রিবা কন্সটেলেসন অসিগী মফম খঙদোক্তুনা মসিগী মনুংদা বুটস অমসুং হার্কুলেস হায়রিবা সেমি সার্কুলর আর্ক অসি থীদোকপীয়ু। মসিগী মফম অসিদা মতম খরগী মতুংদা শুংশোয় শোয়দনা হান্না লৈরমদবা থৱানমিচাক অমা ঙাল্লক্লগনি হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লি।

টি সি আর বি অসি রেদ জাইন্ট ষ্টার অমসুং হ্বাইট দ্বার্ফ ষ্টার অনীনা অসুম কোয়না চৎপদা নকশিন্নরকপদগী প্রেসর অমসুং টেম্পরেচর হেনগৎলকপনা হ্বাইট দ্বার্ফ অদুগী লৈমায়দা মেটর কয়া তাশিল্লকপনা থর্মো ন্যুক্লিয়র রিয়েক্সন থোক্তুনা পোকখায়রকপনি হায়রি।

BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR
NOTIFICATIONS

Imphal, the 22nd March, 2024

Sub : Online Registration for Class IX and Enrollment for Class X

No. AC/75/92(Pt-III) NIC/20 It is hereby notified for information of all the schools recognized by the Board of Secondary Education, Manipur that from the academic session 2024, Class **IX Registration** and Class **X Enrollment** will be done only in **online mode**.

In this new online mode system, school have to login to the portal ***https://portals.bosem.in.***

As the online application is launched for first time, a 7(seven) days live Self Hands-on-Training is scheduled from **25 to 31 March, 2024** during which the teachers can login to the portal and enter, as trial, any number of students for online registration and try the payment method also @ Rs. 1 per student as registration fee. All entries during the trial training programme are purely temporary and will be deleted on 01/04/2024.

In case any difficulty or problem arises, teachers may call # 8798196835 from 9.00 am to 4.00 pm during the trial days or email to : webmasterbsem@gmail.com

The actual Online Registration of Class IX and Online Enrollment of Class X for the academic year 2024 will be during the period from **03/04/2024** to **30/06/2024**.

Registration Fee and Enrollment Fee will be **Rs. 500** per student and payment will be made purely on online mode in the application software/portal only.

Sd/-
T. Geetchandra Sharma
Secretary

HL-B/8667/25 March

Unique Education CBSE
Estd.2007
The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

ADMISSION OPEN

5-months Foundation for
CBSE IX & X

5-months Foundation for
CBSE & CoHSEM XII Sc.

1st-April-2024

IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths

Vacation Course for
NAVODAYA, SAINIK
& Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.

3-months Foundation for
CBSE / CoHSEM XI Sc.

Girls Hostel in the same block

Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

HL-B/8647/15 to 31

CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND

THE BEST COACHING INSTITUTE IN IMPHAL SINCE 2015

CLASS 9 & 10
CBSE
18TH MARCH & 1ST APRIL 2024

CLASS 11 & 12
CBSE & COHSEM
1ST APRIL 2024

SUBJECT TOPPER
SCIENCE 100/100

T. SYLVIA 96.2%

HENRY KH 96.6%

OLIVIA R.K 91.8%

CLASS TIMING 4:45 - 8:15 PM

SEPARATE HOSTEL AVAILABLE
FOR BOTH BOYS & GIRLS.
VAN SERVICE AVAILABLE WITH
AFFORDABLE FEES.

FOR MORE DETAILS PLEASE CALL 8794728538 / 8794303740

HL-P/9730/26 - 31 Mar to 6 Apr_Alt.

LABEL A
RECRUITMENT

The deserving candidates are requested to submit their resume on or before 25th March 2024 . Label A is for a coaching Institute of NEET & JEE entrance, label B for faculty posts of a Higher Secondery School, label C for non teaching staff and label D for Marketing section owning two wheeler . For teaching Profession, candidates currently working in a reputed institution are more preferable and more salary is based on experience and teaching satisfaction.

Sl.no	POST NAME	POST NO	QUALIFICATION	EXPERIENCE	PREFERABLE	SALARY
1	MATHEMATICS LECTURER	2	M.Sc Maths	MORE THAN 5 YRS		Best in the Market
2	PHYSICS LECTURER	2	M.Sc Physics			

Label (B)

Sl.no	POST NAME	POST NO	QUALIFICATION	EXPERIENCE	PREFERABLE	SALARY
1	CHEMISTRY LECTURER	3	M. Sc. CHEMISTRY	More than 2 yrs	Plus B. Ed.	15k to 25k
2	BIOLOGY LECTURER	2	M. Sc. BIOLOGY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15k to 25k
3	MATHEMATICS LECTURER	3	M. Sc. MATHEMATICS	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
4	PHYSICS LECTURER	3	M. Sc. PHYSICS	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
5	MANIPURI LECTURER	2	M. A. MANIPURI	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
6	ENGLISH LECTURER	2	M. A ENGLISH	More than 2yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
7	HISTORY LECTURER	2	M. A. HISTORY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
8	POL. Sc. LECTURER	2	M. A. POL. Sc.	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
9	GEOGRAPHY LECTURER	2	M. A. GEOGRAPHY	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K

	LABEL(C) NON TEACHING STAFF	POST NO	SALARY
1	Computer OPERATOR	1F+ 2M	8K—12K
		3F + 2M	7K -10K
2	OFFICE ASSISTANCE	2F + 2M	12K-17K
3	WARDEN (M+F)	2F + 2M	7K-10K
4	SECURITY (F) + (M)	3 F	NEGOTIABLE
	OFFICE CLEANER (F)		

	LABEL (D))	POST NO	SALARY
1	Marketing Manager (MBA)	2F + 2M	Negotiable
2	Asst. Manager (Graduation)	3F + 3M	Negotiable

For details visit OFFICE of Advanced Coaching Institute (Nagamapal) opposite auto park near RIMS ROAD or ACI Branch of kwakeithel Akham Leikai
WhatSAPP 8787586090 or 7641030857

HL-B/8530/19 Mar. (30 days Alt)

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)

REGISTRATION OPEN

PAPER I, II, III *for* Under Graduate Test

ELIGIBILITY:
CLASS XII
Sc/Arts/com

CUET(UG)
Common University Entrance Test 2024

DOMAIN SUBJECTS : Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Geo, Hist, Eco

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS

* FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !

NEET / JEE CRASH & FOUNDATION

CONCESSION : 1. ACIANS/Former Students 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii and 90% above 5. 87% and above P.C.B of xii of 23 6. freeship for meritorious students (NEET 22/23)

Faciliteis : *7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for NEET /JEE van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of*

EVENING:
3PM TO 7PM
4PM TO 7PM

AFTERNOON:
11AM TO 2PM
12PM TO 3PM

Morning :
5AM to 9AM
5.30 TO 8.30AM

SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Special Test Series
4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL ,*van service,*

For details visit to office of Nagamapal Lamabam Leikai (11am to 7.30 pm) or Kwakeithel Akham leikai (10 am to 3.30pm)# 878 7586090

HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)